অহলনা নহাদা

অশোকপা খুরুম্বগী

রাম্নী লীবা

ইজবা—মীয়ামগী ননাই

নোংথোম্বম নরান

লুরাংশংবম ।

থোংজবা—

য়েন্দ্রেম্বম মুনান মীতৈ

লাংথবাল মযাই লৈকাই

মীতৈ মরুপ

চহিরোল ৪০ শুবা লমতা থাবুং ১৯৮৫ ইং

নম্বী :—পোপুলর প্রিন্টিং বার্কস } { মমল লুপা ৪'০০ জনি

ৱাহৌদোক

ঐবু পোকপিরম্বা পাম্বী ইমা ঙোংলল ঐবু পোকপিরম্বী পমোম ইমা ঙোমৈ পামৌ পালম অনিগা ঐনা চহি ২০ শুবা মতমদা অপোকপা তুকম্বগী ঙাঁরু লিপীরম্বী ৱারি অহুবু ঐনা কাওদনবা পম্মোইদ্রা ফাজনজরোই। ঐনা চহি ৫০ শুবা মতমদা মীতৈগী লৈবাক্কী লমৈগী লমচিং নীবম্বা নোংমাগুম্বা অহল ইবুংঙো পুরাণন হুইদ্রাকপ অহল মহাক, গুরুগুম উহোবামচা অহল ইবুংঙো অখেলম্বা বোকুল অহল অদুম্বা ইমা ঙম্বু পোরকপগী ৱারি কয়া লিখিনখক্লগী ফজরকপা ৱাফমশা, মীতৈগী লাইচো কয়ানা ইবিরম্বা অমা পাম্নবগী ফজরকপা ৱাখনগা, ময়াম অসি পুনশিজহনা ইমা ঙম্বু পোকপনা হৌজাকলাক্লা অপোকপা থুকম্বগী ৱারি লাইরিক মচা অমা ঐনা চহি ৬৭ শুবা মতম অসিদা ইজরে। লাইরিক অসি মীতৈগী ইমা ঙম্বু হৌরকপগী লাইরিক লাইশু থিজিনবিহনা শেমগৎ লাংহোক্লিবা, অমসুং অচৈবা লাইরিক ওইবা লাইরিক ওইবী ইবুংঙো ইবেম্মা পুন্নমকা সুংশিনা সংয়েং তাবিহনা অচুম্বা অরান খিবিদনা, মীতৈগী লাইরোনগী লাইরিকনি হাইনা লৌশিনবীনবা ননাইনা। পুন্নমকী খুৎ। থাদা ঙম্না ঙম্না থুকমজরি।

মীয়াম্গী ননাই—
নোংথোম্বম নরান
লুরাংশংবম।

লাইরিক মশীং—১০০০

হু সিদবা

মীতৈ মরুপকী অপোকপা মরুপকী
মীটৈ [illegible] শাজবা থৌপুবা কাংলুপ।

১। উশম অঙামচা, তাঙখোং—লুচিংবা
২। চোঙথোনবম কুম্লো, কুম্লৌ—চমথং
৩। নোংথোম্ব নবান, লুরাংশংবম—শীম্বা
৪। নোংথোম্বম পৌরো, —সেম্মুবা।

লুরাংশংবম

১। লাজম চন্দ্রসিং
২। নোংথোম্বম ইন্দ্রমনি
৩। „ ইবেংচাবী

কুম্লৌ

১। লাইশ্রম চন্দ্রহাস
২। অহনথেম কুবের
৩। মাইবোম ননি
৪। খুমুকচম অঙৌ

খোংজাম্পাৎ

১। লাইশ্রম বোকুল
২। কোইজম ইবুংহল
৩। „ কালা
৪। থাইখোম বোকুল
৫। লৈশাংথেম মানিহার

য়ৌম্বুং

১। কোনসম কুলাচান
(মীতৈ লাইরিক সন্দোকপা)

পোৎশংবম

১। মোংজম চাওবা
২। „ ইবোমচা
৩। ইরেংবম অমু
৪। খুন্দোংবম নরহরি
৫। ওইনাম ইবুংহল

হুঁ সিদবা

(তেংবানবা মপুবু খুরুমজদুনা অপোকপগী বারীবু ননাইনা ইঙ্গে, অরানবা চাম্মা ঙাকপিয়ু অসোইবা চাম্মা কনবীডনা অচুম্বা লম্বাদা ননাইবু লমজিংবীয়ু)।

অহানবা মতাং ঃ—

নহা— অহল ইবুঙোগী খুয়াথাদা চংজরি ননাইবু চানবীগনি নিংঙৈজে, অপোকপা খুরুম্বগী মরমদা ননাইনা বারী থরম্নং হংজনিংঙি।

অহল—সুঙাইদা হে - নহা নংনা ঐঙোন্দা অপোকপা খুরুম্বগী বারী লিখিম্বু হায়বদো, অপোকপা খুরুম্বা হাইবসে, মথল ৩ শুই।

নহা— অহল ইবুংঙোগী খুয়াথাদা চংজরি, অপোকপা খুরুম্বা মথন অহুম শুই হাইবসে, ননাই ঐঙোন্দা অমুক্তা তাকপিয়ু।

অহল—হে নহা ঐ নঙোন্দা অপোকপা খুরুম্বা মথন অহুমগী মশক তাক্কে, পাইমা খোইজংলো তিন্নাং খোইদারো।

১। পোয়েল পোকপা খুরুম্বা হাইবা অমা।

২। সাগৈ পোকপা খুরুম্বা হায়বা অমা।

৩। ফুঙ্গা পোকপা খুরুম্বা হায়বা অমা।

নহা— অহল ইবুংঙোগী খুম্নাখাদা চঙরি, ননাইবু চানবিগনি, পোক্লেন পোকপা খুরুম্বগী, শাগৈ পোকপা খুরুম্বগী, ফুঙ্গা পোকপা খুরুম্বগী, থৌরম পুম্নমক মচা থাইদোক্পা অমুক্তা লিবিয়্নু।

অহল —হে-নহা নংনা ঐঙোন্দা পোক্লেন পোকপা খুরুম্ব, শাগৈ পোকপা খুরুম্বা, ফুঙ্গা পোকপা খুরুম্বগী থৌরম পুম্নমক মচা থাইদোক্পা লিবিয়্নু হায়রবদো, ঐনা ইপা ইপু পোকপবু নিংশিংজহনা মচা থাইদোক্পা লিবগে নং মুন্না তারো।

নহা ঐনা অহানবদা নংঙোন্দা পোক্লেন পোকপা খুরুম্বগী থৌরমগা লোইননা লিব্রগে, নং মুন্না তারো।

নংনা পোক্লেন পোকপা খুরুমজগে হায়রবদি, তেংবানবা মপুগী ফম্বাল অমা থারো থক্তা অঙোবা ফিজং থল্লো, ফম্বালগী মমাংদা ইরাংফু অমা থিল্লো নংনা ভমজবা চেং, হবাই, মনামশিং লাংজরগা, মীতৈগী পুজারিনা ফুহৌহল্লগা (থোংহল্লগা) নংনা ভমজবা অহল লমন ইমা ইবেল মরুপ মপাং খরদং কৌজরগা, মপুগী ফম্বাল মমাংদা লুক্লেন অমা শেম্মগা, অথংবা পী-পানা লাইরোল শোলহন্দুনা ইপা ইপু পুম্নমক কৌথোকহল্লগা, পস্তৌ ইপাগী মিংদা, পলেম ইমাগী মিংদা, তেংবানবা মপুদা কংপা। মপুদা কংপা লুক্লেন অদু নহা নংনা অহল লমন ইমা ইবেল

মরুপ মপাংদা অমুক কথোক্লো, অসিবু পোক্লেন পোকপা খুরুম্বা কৌই।

নহা।— অহল ইবুংঙোনা পোক্লেন পোকপা খুরুম্বগী থৌরমগা লোইননা লিবীবদা ননাই ঐগী থমোইগী অমম্বা ভাস্তোক-চরে ননাই নহাবু থৌজানবিহুনা সাগৈ পোকপা খুরুম্বগী থৌরমগা লোইননা অমুক্কা লিব্বিয়ু।

অহল — নহা নংনা সাগৈ পোকপা খুরুম্বা থৌরমগা লোইননা, রারী লিয়ু হায়রবদো ঐ লিরগে নং মুন্না তারো।

নহা নং অসি মংসাত্তাবম সাগৈগি য়েক্না অঙোম য়েক্নি য়েক্নী হৌরকফমদা, সাগৈগী অহল নহা ময়াম তিন্নহুনা অঙোমগী নপা নপু পোকপা য়েকপু পোকপা অপোকপগী মপুগী ফম্বাল অমা থাবা। ফম্বালগী মথক্তা অঙোম য়েক্নী লারোং—লা থাবা লা-গী মথক্তা অঙোম য়েক্নী মচু অঙৌবা শেংপা য়াবা অঙৌবা খুদৈ, অচৌবা অমা থাবা। ফীগী মথক্তা অঙোম য়েক্নী লৈ থরো অঙৌবা সংত্রৈ লাংথৈ তাইরেন মনা পোংফাইনচিংবা. লৈরম তরেংনা লৈহুন অহুমথোক্না কংপা। ফম্বালগী অঙৌবা ফীজং থনবাৱ্অপোকপগী মমাংদা লারোং লা-থারগা, লাগী মথক্তা চেং মতোন তুন্না চেং-বা হৈয়ু। নপা নপু অঙোমগী ইরুশাদেংফম কোংবা মৈরোঙ্বীগী ঊশিং শোকউবা, ভাদি

শরেং অঙৌবা অমা ঙাপাং অমা থুম মপাক অমা মনা-মশিং অতেক অনৌ থাও, মোরোক, মরোই মপাং থাংদি পুকক থাংনে, শীংদি উপম্নে, মৈদি মৈবা চিংহুন লৌ, নাহাইবদি তাইরেম্নে। লফোই লফাং চংথোকপা অমা, ক্বা মরু মনা অমা, চুঙৌ চুঙাং কবোক অথুম অহাও, অঙোমগী হৈদি হেবোংনচিংবা, হৈজাং, হৈক্রু, হৈনিং অসিনচিংবা হৈরম ৭ কৌক্রু, মাজিং, রাংব্রেন, থাংজিং লম-লম অহুগী কোনবা লাই অহুগীনে উমংলাই মঙাগী লফোই লফাং সি থোকপা মঙা, ক্বা মরু মনা মঙা, চুঙৌ চুঙাং কবোক অথুম অহাও, পুম্নমক অসি লোইনা লাংব লোইরগা, সাগৈগী পী-পানা তাইরেন পোংফাই লাংথেন ঈশিংদা লুপ্লগা, নাহাইরোন সোন্দুনা চাইথোকহুনা, অনম অথৌ কেংক্লগা, সাগৈগী অহল য়াওনা চাবী চানৌ সরেন অপোকপদা কংকনি। সরেন বৎপা লোইরগা সাগৈগী পুজারিনা ফু-হৌহুনা (থোংলগা) অপোকপগী লাইমাংদা লুক্লেন অহুম শেমহুনা থারগা, মৈরা মেক্রুক কহুনা সাগৈগী অহল লমন ইমা ইবেল অঙাং মুপী, পুম্নমক্কা, পুক্লিং অমতা ওইনা নিংহুনা সাগৈ পোকপা ইপা ইপু পোকপা ইপুথৌ নচা ননাই ঐথোই পুম্নমক তেঙ্কা কাইদনা পুন্সি মুংশাংনা পান্দুনা ইপুথৌগী থৌগীন তৌজগে হাইনা খুরুম্বা। থৌরম পুম্নমক লোইরগা সাগৈগী অহল লমন ইমা ইবেল অঙাং মুপী পুম্নমক লে ইরগা সাগৈগী

অহল লময় ইমা ইবেল অঙাং মুপী পুময়ক লোইনা চাগনি। অসিবু হে — নহা সাগৈ পোকপা খুরুম্বা কৌই।

নহা— অহল ইবুংঙোনা ননাই ঐঙোন্দা সাগৈ পোকপা খুরুম্বগী য়ারী লিবিবদা, ননাই নহাগী থমোইদা থয়া ঙানথোকচরে। অসিগী মথংদা অহল ইবুংঙোনা ননাই নহাবু খোজানবিদুনা ফুঙ্গা পোকপা খুরুম্বগী ময়মদা মচা থাইদোক্না অমুক লিবিয়ু।

অহল—নহা নংনা ঐঙোন্দা ফুঙ্গা পোকপা খুরুম্বগী য়ারী লিয়ু হাইবসে লাইরম্লেন, মীরমলেন, মসক থংজবদি নংগী পুক্লিং অদু অমুক পরৈ হনগনি।

নহা— অহল ইবুংঙোনা ননাইবু খোজানবিদুনা লাইরমলেন, মীরমলেনগী, য়ারীবু মচা থাইদোক্না অমুক্কা লিবিয়ু।

অহল—নহা নংনা লাইরমলেন, মীরমলেনগী, য়ারী মচা থাইদোক্না লিবিয়ু হায়বসে মকম অসিদদি সন্দোক্না লিবগী মতম লৈত্রে, সমলপ্পা লিগে তাবাংপদি কনাগুম্বা অথংবা মাইচৌদা হংক্নৌ। ইপা ইপুনা খুরুম্ময়কই, নিংময়কই, মুমিৎনা মামহিমি, মুমিৎকী মঙাল্লা তেংবানবা অসি শিনবা থুংবা অসিবু মামহি নোংখোং কোইবা হায়না পাওরৌ তৌনৈ, মামহিগী মঙাল্লা মপুং ফাবা অদুবু পাথংবা ফম্বাল তোংবা হাইনা ইপা ইপুনা পাওরৌ তৌনৈ। লাইনিংথৌ নৈমরেম্না মামহি পাথংবা পোকই

হাইনা পাওরো তৌই, অসিবু মপানগী অউবা তেংবানবা অসিবুনি। অসিবু লাইরমলেন কৌই। অউবা তেংবানবা অসিগী মঙান চংননবা মীতৈগী য়ুম সারগা য়ুমগী মোইরাং-লাইজি সম্বোং কাচিন্দা, লাইনিংথৌ লৈমরেন স্নামহি পাখংবগী ফম্বাল খাদুনা ইপা ইপুনা লাংলি। পাখংবনা মচা তরেৎ পোকই মমিংদি — মঙাং, লুৱাং, খুমন, অঙোম, মোইরাং, খাবা ঙানবা, সারং-লৈসাংথেম তরেৎ পোকই হায়না ইপা ইপুনা হায়নরকই থুরুম্নরকই নিংনরকই। অসিবু মীরমলেন কৌই।

নহা— অহল ইবুংঙোনা লাইরমলেন, মীরমলেনগী, ৱারীবু লিবিবদা ননাইগী থমোইগী অমম্বা থরা ঙানজরে। ননাই নহাবু চানবিদুনা ইপুথৌ পাখংবনা মচা তরেৎ পোকই হাইবা অসি মচা খাইদোক্না লিবিয়ু।

অহল—নহা নংনা ইপুথৌ পাখংবনা মচা তরেৎ পোকপগী ৱারী লিবিয়ু হায়বদো লিরগে নং মুন্না তারো। নংনা ফুঙ্গা পোকপা থুরুমগে নিংলবদি ইপুথৌ পাখংবনা পোকপা ইপু তরেৎনা হৌরকপগী থৌরম্নচিংবা মুন্না খংদবা য়াদে।

নহা— অহল ইবুংঙোনা চানবিদুনা ইপু তরেৎনা হৌরকপগী থৌরম পুম্নমক মচা খাইদোক্না লিবিয়ু।

অহল—নহা ইপু তরেৎনা হৌরকপগী থৌরমগা লোইননা লিরগে নং মুন্না তারো।

অনিশুবা মতাং

(১) খুমন য়েক সলাইগী মপা মপু পোকপা হৌরকপা। নাকয়োইবিদি তোমশংমুনা শামু মকোক পানবা লাই কোন্দুনা খুমন পোকএ। শচিফু থাগী তরামশুনি পানবা লৈশাক-পোকপা মুনিংকী অহিং নোংয়াইদা, নাওয়োইবিদি পিয়াইমুনে থরায়মীচাক্তি থায়াইনে।

ঈশিংদি পুমেন পাত্তগী শোকনি। লৈদি লৈশং কাইক্লে অনিংক্লে হৈদি হৈবুনে শাদি শরেং অমুবনে ঙাপাং অমনে। লাদি কাকলানে। থাংদি তোনককপনে। শীংদি চাওখোংনে। নাহাইবদি পোংফাইনে। মৈদি মৈথাং তরেৎ লৌএ। খুমন— য়েক সলাইগী মচুদি অমুবনে।

(২) লুয়াং-য়েক সলাইগী মপা মপু পোকপা হৌরকফম। চ্রাইবী থোইমুনা ইরোই মকোক পানবা লাই কোন্দুনা লুবাং পোকই। রাকচিং থাগী তরানিথোইনি পানবা ইমাই চমিংকী অমুক্তনে। নাওরোইবীদি পিয়াইমুনে। থরাইমীচাক্তি নংথৌ শিদবনে। ঈশিংদি লমফেলদগী শোকএ। লৈদি খোঙ্গুনং মলৈ। হৈদি কিহোমনে। লাদি লায়াইনে। ঙাদি শরেং ময়াঙবনে ঙা অঙৌবা ঙাপাং অমনে। থাংদি তোন্দুমনে। শীংদি হৈক্রুনে। মৈদি খোইজু মৈনে নাহাইবদি উ-খোক তোরে। লুবাং-য়েক শলাইগী মচুদি হিগোক্লে।

(৩) মঙাং য়েক শলাইগী মপা মপু হোৌরকপা লৈচক লৈয়রেন চনুনা। মুনিংপু কোন্দুনা মঙাং পোকএ। ইঙা থাগী তরামঙানি পানবা থাবুং শগোলসেন মুমীংকী মুমিং য়ুংবা। নাওরোইবীদি য়াবিরোক্কে। থরাইমিচাক্তি থায়াইনে ঈশিংদি মুংজেংদগী শোকএ। লৈদি থরাল অঙাংবনে। লান চংবি লানে। থম্মা থেঞ্জোংনে হৈদি থমচেৎনে। ঙাদি শক্কে অঙাংবনে ঙা অঙোৌবা ঙাপাং অমনে। থাংদি চাকথাংনে শীংদি শৈনে। মৈদি মৈথাং তয়েত্তগী লৌএ। নাহাইবদি উক্কয়ে। অঙাং য়েক শলাইগী মচুদি অঙাংবনে।

(৪) অঙোম য়েক শলাইগী মপা মপু পোকপা হৌরবপা লাইরিবিনা মুমিং লাইমহোমনুনা নোংলুম কোয়ে পুরেরোম্ব পোকএ। ইঙেন থাগী তরানিথোইনি পানবা অয়ুক্তা। নাও য়োইবিদি থাকপা নিংথৌ চমুনে। থবায়মিচাক্তি থাদোয়ে ঈশিংদি কোংবা মৈরোম্বীদগী শোকএ। লৈদি থরো অঙোৌবনে হৈদি হৈবোংনে। লাদি লায়েং লানে ঙাদি শরেং অঙোৌবনে ঙা-অঙোৌবা ঙাপাংনে। থাংদি পুবক থাংনে। শীংদি উপায়ে মৈদি মৈবা চিংহুনা লৌএ। নাহাইবদি ঙাইরেন মনানে অঙোম য়েক শলাইগী মচুদি অঙোৌবনে।

(৫) মোইরাং য়েক শলাইগী মপা মপু পোকপা হৌরকপা চোম্ব লৈমনা শজি মকোক শানবা লাই কোন্দুনা মোইরা

পোকই। লমতা থাগী তবানিথোইনি পানবা থাংজ হুমিংকী হুমিদাং। নাওরোইবীদি ঙাংশাবীনে। থরায়মীচাক্কি চীংচরোই-বীনে। (ঈশিংদি লোক্তাক্তগী শোকএ। লৈদি য়েরুমলৈনে। চৈদি কাংগ্রোনে। লাদি থাংলানে। ঙাদি শরেং নাপুনে ঙা অঙৌবা ঙাপানে। থাংদি য়েন মতোক শাবা, শীংদি কুহিনে। মৈদি নৈথাং অহুমলত্তগীনে নাহাইবাদ নাওহিংনে। মোইরাং য়েক-শলাইগী মচুদি নাপুনা লাংবনে।)

(৬) খা ঙানবা য়েক শলাইগী মপা মপু পোকপা হৌরকপা। থারোংলোৎবী থমচিক কোন চন্নুনা কৈ মকোক পানবা লাই কেন্দুনা খা-ঙানবা পোকএ। কালেন থাগী তরানি পানবা লোংমাইজিং হুমিংকা অয়ুক্তনি। নাওরোইবাদ পুরোই লেমহুনে। থরায়মিচাক্ত থোংচোনহুবিনে। (ঈশিংদি লৈতাংদগী শোকএ। লৈলাদ লৈশনে। লাদি লৈহৌলানে। ঙাদি শরেং ঙাংনা লাংবনে ঙা অঙৌবা ঙাপাংনে। থাংদি চিনাইবনে। হৈদি হৈবানে। শীংদি চীং য়েনশিন্নে। মৈদি লৈথাম মৈরায়দগী লোৎএ। নাহাইবদি নাপু নাশোন্নে। খা ঙানবা য়েক শলাইগী মচুদি শংএ।)

(৭) শরাং লৈশাংথেম য়েক সলাইগী মপা মপু পোকপা হৌরকপা।

লকুবিদি কৈমহুনা হামেং বোনহুনা ককেক শাংগা কুংঙৌম্রি নথংবগা পোকএ। ফাইরেন থাগী কুনতক্কি পানবা মুমশকৈশ হুমিংকী অয়ুক্তা। নাওরোইবিদি হুইমু লৈমনে। থবায়মিচাক্তি

লিকথা শাফবিনে। (ঈশিংদি তাকনখাদগী ে াকএ। লৈদি লৈশংনে হৈদি হৈজাংনে। লাদি চংবী লায়াইনে। থম্মা ঈতোবনে। ভাদি শরেং শংনা লাংবনে। ঙা অঙোবা ঙাপাং তমনে। পাংদি খুম্হোং থাংনে। শীংদি নোংলৈশংনে। মৈদি মৈথা মঙারক্তনে। নাহায়বাদ নাপী শিংবিনে। শরাং লৈশাংথেম য়েক শলাইগী মচুদি শ না রাওবনে।

নহা— অহল ইবুংঙোনা ইপু তরেৎনা হৌরকপগী রারীবু লিবিবদা, ননাই এরগী থমোইগী অমম্বব্ ভাঙরে। অহল ইবুংঙোনা থৌজানবিহুনা ফুঙ্গা পোকপা খুরুম্বগী বারী লিবিরো।

অহল— নহা নংনা ফুঙ্গা পোকপা খুরুমদ্রিবৈদে, য়ুমগী লৈমরেন লাইনিংথৌ হায়না খুরুমগদবনি।

নহা— অহল ইবুংঙোনা ননাইবু চানবিহুনা, লৈমরেন লাইনিংথৌ পোংচং থৌরম্নচিংবা লিবিরো।

অহল— নহা নংনা ঐঙোন্দা লৈমরেন লাইনিংথৌ খুরুম্বগী পোংচং থৌরম্নচিংবা লিবিয়ু হায়বদো ঐ লিরগে পাইমা খোইজংনা তিল্লাং খোইদানা তারো। লৈমরেন লাইনিংথৌগী লাইমাংদা লা লাতোন অমা থাও, লা লাতোনগী মথক্তা অশেংবা খুদৈ অমনা থুপ্লগা থাও, কী অচুগী মথক্তা তাইরেন মনা লাংথৈ পোংকাই মনা, লৈ-হুনা মথল অহুমথোক্না লৈহুন তম্মু, পুখম অমদা চেং হৈয়ু, পুখম অমদা মনামশিং অতেক অনৌ মরোই মপাং থাও থুম

মোরোক য়াইঙং সুনা হাপতুনা অথেনপোং শেম্বা, পুখম অমদা কবোক অথুম অহাও চুঙৌ চুঙাং, কা মরু মনা অমা লফোই লফাং চংথোকপা অমা হৈজাংনচিংবা হৈরম তরেং হাম্না, মীতৈ ঙমু অচংবা অহুম, য়াওনা মেক্রুক নৈরা থারগা তাইরেন মনা পোংফাই লাংথেনা ঈশিংদা লুপলগা, নাহৈরোন শোন্দুনা চাইথোকতুনা অনম অথৌ কোক্লগা, লৈমরেন লাইনিংথৌগী মীংথৌরেন সোন্দুনা ফুঙ্গা অপোকপা খুরুমজগে হায়না কংকনি।

মহা— অহল ইবুংঙোনা লৈমরেন লাইনিংথৌ খুরুম্বগী রারিবু লিবিবদা ননাই নহাগী থমোইদু পেঙ্গরে। অহল ইবুং-ঙোনা থৌজানবিতুনা অনম অথৌ কোকপগী, লাইরোনবু ননাই ঐঙোন্দা লিবিয়ু।

অহল— মহা নংনা ঐঙোন্দা অনম অথৌ কোকপগী লাইরোন লিয়ু, হায়বদো নং মুন্না তারো ঐ লিরগে।

অহুম সুরকপা মতাং।

অনম অথৌ কোকপগী লাইরোন।

১। পোং শেংনবা নাহাইরোন :— ওঁ সিদবা মপু ইবুংঙো অপোকপা পোক্লেন পোকপা শাংলেন শাংপা ইবুংঙো, ইবুংঙোগী মংনা ইচেল ঈরু ওইরগা- পাথংবগী ইকোন্দা ঈশেং ওইনা লগা নহাই তাইরেন পোংফাইদা শিন্থরকপা মতমদা তাইবং

মরুপ খিবিক্কী য়াইফ থৌরম লাকপদা ননাই ও.ইরেন পোকাইনা ঈশেং ইচুন হাইরগা ঈশেং ইচুন মরিকপু মফম থুদিদা তারগা অমাং অসোই ফজবা মরিন শীংনা কোক্কনি, লাইয়ামশিনা লেপনবা সিদ, য়াথং ঈচেলনি। ও শিদবা মপু অপোকপা পোক্লেন পোকপা শাংলেন শাংপা। অসি শোনহুনা চাহথোক্কনি।

২। অনম অথৌ কোক্কবা নাহাইরোন :—হুম-হৈ-হুম-হৈ-হুম-হৈ-কেংয়োই মেংগা য়াহগা থৌলি থৌয়ালাং থৌলি থৌতিন লাংবু থৌলি থাবা পোংথৌদমলি থাবা মাবু লালংদে হুমিং মাবু লালংদে। নহালনোং লিনথিনা কাথিনা তোকপনা কাম্বনা শায়ুনা লৈরংনা হুওক্না পাইবংনা য়োংমু য়োইশেংনা তেকপী মওকচা কাওরেন মসনচা পোং থুং থাই শগাইবনা ফিজিনম ফিনা হুম মীনম্বা থানম্বা নমলবা লাক্লবা থৌলি থৌয়ালাংবু থৌলি থাবা পোংথৌদমলি থাবা মাবু লালংদে হুমিং পোংথৌদমলি হুমিং মাবু লালংদে। নহালনোং মোংবা তুথো থোংদৌহুং তুতেং থোংদে নোংগী থৌলি থৌয়ালাংবু থৌলি থৌদিন লাংবু থৌলি থাবা পোংথৌদমলি থাবা মাবু লালংদে হুমিং পোংথৌদমলি থাবা মাবু লালংদে য়াবা কোকথাইসাগী পোংথৌ মথং পীজগে হুমজা পাম্লোপে হুম-হৈ-হুম-হৈ-হুম হৈ।

৩। থুমুনা ভামুনা পোকপীতৈ নহানা হুপীনা য়াহৌতৈ কুওতৈ ফৌমুক ফৌবা থোকতৈগী হৈকোই লাইয়েং মশীং তুতৈগী।

হৃরি লৈরীনা উমতমদৈ চৈথাদৈ তেনথাদৈ য়াঙথাইদৈ থিংগাইদৈ ঙারা ঙ'চিং তালদৈগী শেপ্লম পাইরম চংদৈগী মরম রমগেনদৈগী পাম্নরে সেংনরে ত'ইবেন্না পোংফাইনা হা হুং হা য়েং হা হুং হা য়েং।

৪। পৌরীতে য়াইবীতেং মুনিংনা মথোকরক খাবানা মচোং লক চকরৈঙান তৈম্নেঙান উঙানদৈ রাঙাইল্লে শিংসুদৈ চরোইনা খোংদমদৈ য়াম্বীনা থাইসমদৈ হুইতাওনা চিফেদৈ বৈরেম্না য়া-থোকদৈ নোংমাই হুইচিন হুইয়া থিনকাইদৈ য়াওথাইদৈ নোংমাইনা মৈহল্লে। নোংমাই থেংগু থেংঙানা মুংবীগুম শোরাঙম তিম্নেরগমু লাইরৈলগমু চীংদা লৈবনা চী দা কারো, তমদা লৈবনা তমদা চংলো, পাস্তা লৈবনা পাস্তা চংলো নতেযমদা থেরো নংনফমদা হল্লে', লাইনিংথৌগী য়াংংনে। তিনয়েংলগমু লাইয়েংলগমু, তাইরেম্না পোংফাইনা হা হুং হায়েং হা হুং হায়েং।

৫। খালৌকোন লাইলৌকোন চুপ্পীকোন অরাংকোন পাম্নরে ংনরে। কোরৌজি ইবাংবন নাওরা ইথাকপা চিংঙু পুলৈলোম্বা রাংবদা পুলৈলোম্বা মরোল থোক্তববু পুলৈলোম্বা মরোল থোক্লে াইমোম কোকসালে। হলরাইবা পিথাইবী অশেম্বী খোংদ্রাবী শাবী লৈরীকপী লৈরীকপা উঙকও হামশাও লৈরীকও লৈ-াংও। লৈমা য়ুরেম্বী চারোম্বী রাদা লৈশিন হৈবী উদা লৈশিন বা মুমিং লুদম হৈবী থাবা লান্দম হৈবীনা ইক্লরবনে শাতেং-বনে পাম্নমে শেংনরে, তাইরেম্না পোংফাইনা হা হুং হায়েং হুং হায়েং।

পুলৈলোম্বা নাহাইরোল

৬। হায়েং তৌবিতেং লাইফীতেং চক্লিঙান তম্লৈঙাল হুমিংনা থোকচৈঙে থাবানা মচোংচৈঙে উঙালচৈঙে বাঙানচৈঙে, চরোইনা খোংদমচৈঙে লাংমাই থিক্লেং মোইরাংকুম্বা নাওশংবা হোচান তৌলিক তোক থৌরানথিল কুইচৈঙে লাইখাইচৈঙে পুলৈলোম্বা অঙক অঙাও হৌখি কুমথি ঙাওহৌবু তমপাক্লে হৌমাইবী লংমাই লৈহৌ মাইবনা হিরেল য়াইরেল্ থিক্লা তাইরেন লোংনালৌ লাইজ থিকফৈ চাইরগা পুলৈলোম্বা মরোল মরি খোরক্লে ফম্বী কারে ফলাং তোংলে খুম্বল নাইথম্নরে খালৌকোল লাইলৌকোল চুম্নীকোল নোংপোককোল তিলৈরগনু পাম্নবে কোক্লরে হা হুং হায়েং হা হুং হায়েং।

নাহাইরোন শোন্দুনা ইরু ঈশেংদা তাইরেন পোংফাই লাংথৈনা লুপ্লগা পোৎ পুম্নমক অনম্বা কোক্লবা লোইনা চাইথোক্লনি।

নহা — অহল ইবুংঙোনা ননাই ঐঙোন্দা অনম অথৌ কোকপগী লাইরোনবু লিবিবদা ননাই ঐগী থমোইগী অমম্ববু ঙানথোকচরে। ননাই নহাবু থৌজানবিত্নুনা লৈমরেন লাইনিংথৌ খুরুম্বগী মীংথৈরেনবু লিবীরো।

অহল — নহা নংনা লৈমরেন লাইনিংথৌ খুরুম্বগী রারী লিয়ু হায়বসে লৈমরেন লাইনিংথৌগী মীংথৈরেন অসিদি য়াম্না লুবনি, নং পুক্লিং চংনা তারো ঐ লিরগে।

৪শুবা মতাং

লৈমরেলগী মিংথৈরোল

হিং নিং নিং নিং
ইমারেন্দি সিদবী
তাইবং মালং শল্লিবী,
সনা কম্বাল ওই-ওইবী
সন্নশিং চৈংদোল তাল্লিবা
তাইবং য়েনবু হুল্লিবী
মালেম লমজাও শুইরিবা।

(ইমারেল)

য়ুমদা লৈবী য়ুমলৈমা
সিলদা তোংলে সিললৈমা,
লৌশিং মৈরা ওইবীনি
মঙ্গং মপান উবনি।
ঈশিং খঙ্গা লৈরিবী
ঈরাই লৈমা কৌরীবী,
ঈসাইকুদা লৈরিবী,
লৈমরেলবু কৌরীবী।

অপোকপা খুরুম্বা

(ইমারেল)

লম্লক্তবু লৈরগা
সনা মিংযেং ত্তারগা,
লমৈরবু হাইরিবী
মচা মনাই য়োক্লিবী,
মহৈ মরোং ওইরিবী,
ফৌওইবীনি হায়রিবী।

(ইমাবেল)

ফম্বাল ওই ওইনরগা
মপু নাক্তা ঙাল্লগা
লৈময়েনবু কৌগনি,
সিদবীনি থংগনি,
তাইবং পানগী মমানি,
শীন্না থুংনা লৈবনি।

(ইমারেল)

ঈশিং তরং চাওবীনি,
নুংশিৎ তরং থোম্বীনি,
অতিংঙাদা শাংলিবী
মৈতোন্দবু থৌশাবী,
মালেম লৈগী মঙ্মোল্লি।
য়েম্নৌ হুনবী য়াইফবীনি

(ইমারেল)

সঙ্গাই সুংগী থাউমৈনি
মৈরা মঙাল কবীনি
য়েকপু তরেং কোল্লিবী
শাল্লাই তরেং ডাক্লিবী
পুম্মকী মমানি,
মবেম্বোবু ওইর্বানি ।

(ইমারেল)

• • • য়েকপু থৌনিবী,
খোইদৌ চুক্লী ওইরিবী
• • • পোকপী ইমারেল
তাইবংপীদি য়াইজরেন
• • • মচা মনাই য়োক্লিবী

(ইমারেল)

নচা ওইবা ননাইনি
মমিং • • • কৌবনি
চাদা নাওতা ওইবনি
শল্লাই য়েকপু ওইবনা
থীনিজবা মতিকনি
ঈরাৎচবা মথৌনি ।

(ইমাবেল)

ঙসি কোরৌ হুমিত্তা
য়াইফ মতাংদা
হৈরম তরেং কংচরী
লৈরম তরেং খেংচরী।
খুবাং তরা লোন্দনা
খুরুমজরী ননাইনা
অফ মুংঙাই পীনবিয়ু
য়াইফ লৈবুন চাইথবীয়ু।

(ইমাবেল)

হৈজদবা মরম্না
খংজদবা ননাইনা
চরৈ ফী থোঙখিদে
কুমজা ইরাং তৌখিদে
চরৈ ফীবু থোঙরী
কুমজা ইরাং তৌজরি
অয়োন অয়ান ঙাকপীয়ো
লংজ খিবিক ঙাকপীয়ো।।

(ইমাবেল)

হৈজদবা ননাইনি
খংজদবা মচানি

থংজদবনা মপুংনি
লংজবগী মশক্কি
য়াইবী ঈশৌ লাংবীয়ু
কাম্বী মৈশা কাংবীয়ু
খুবাং তয়া লোয়্নৈজে
ইমারেলবু খুরুম্নৈজে।
হিং কুক কুক কুক।

(ইমারেল)

লাইনিংথৌগী মিংথৈরেন।
হা হুং হৈ য়াহে হৈ য়াহে হা হুং।
ইবুংঙোদি লাইনিংথৌ
য়াইবী কোনগী মপুথৌ
কায়াৎ কাংলেন শাথৌবা
লৈয়ক কোনশাং শীল্লিবা
য়েকনা সয়োই লাক্লোইবা
থোংবান মুংদা লালনাবা।

(লাইনিংথৌ)

লোংদোন থক্না পনওইবা
সয়জিংবা নাওকোনবা
ইপুয়োইনি হায়জগে।

হাউহৈরোইনি হায়জগে
অরাপ্পনা উদবা
তানকপনা লৈতবা
চাওবা পাকপা ননিংনি
পীনবা থুংনা লৈবনি।

(লাইনিংথৌ)

মৈ তরং ঈশিং তরং
অতিংঙা তরং মুংশিং তরং
মালেম লৈদা খোশাবা
য়েক্লা শরোই লাল ওইবা
তোপনা লৈবা তোঙানবা
তিন্না লৈবা অতিনবা
তাইবং মুংদা লৈবনি
থৌরাই হায়না কৌবনি।

(লাইনিংথৌ)

তমজাও কাংলেল শাথৌবা
য়েম্নৌ চুক্লি পায়রিবা
চৈবী নৌরেল হোল্লিবা
য়াংজা শগোল থৌরিবা
শজিক থাবা ওইরিবা।

অমম অঙান থাইরিবা
ছুং ননিংনা নবোংনি
তাইবং লৌশিং মৈরানি।
লৈপাক মাইবা খুরাই তাংবা
নিংথৌ মাইবা চিরাই তাংবা
থুবাং তরা লোন্দনা
পুক্রিং লৈরাংজদনা
ননাইনবু খুরুমজৈ
থমোই কোনদা পুসিনজৈ।

(লাইনিংথৌ)

কোনসেং সনা পিপারেন
সনা মহি ঙৌবারেন
ফুহিং সনা লাইজরেল
সম্নজিং কম্বাল মহিরেল
শন্দোংগীদি মরিবা
ফুম্নাগীদি লাইরু।

(লাইনিংথৌ)

থোংজিন্দবু লৈবনি
থোংঙারেলবু কৌবনি
সাইজুম তাফম কাবনি

তরং নোংলোন ফাওবনি
সম্দংখাদা থোশাবা
কৈদা লৈরে কৈরুংবা
লোদা লৈরে লোরুংবা
লম্মকতদি লম্মাবা
লমশেনববু ওইবনি।

(লাইনিংথৌ)

নোংথোং কোয়বা অঙম্বা
তরং হিরেন হোল্লিবা
য়ৌনিংবতা য়ৌবনি
চৎনিংবদা চৎপনি।

(লাইনিংথৌ)

থংজদবা নচানি
লংজে চাওবা ননাইনি
• • • য়েক্কী সলাইনি
মমিং • • • কৌবনি
• • • শাগৈ ওইবনি
নৱাতবু ওইবনি
থৌনিজবা মতিক্কি
ইরাৎচবা মথৌনি।

(লাইনিংথৌ)

ঙসি কোম্বৌ মুনিত্তা
য়াইফ নুংঙাই মতাংদা
হৈরম তরেৎ কৎচরি
লৈখম তরেৎ থেঞ্জরি
চৈর ফীবু খোঞ্জরি
কুমজা ইরাৎ তৌজরি।

(লাইনিংথৌ)

য়োল্লবা কাদা ঙাকপিয়ো
লাল্লবা ক দা কনবিয়ো
অয়োল অরান
লংজ থিবিক কোকপিয়ো
য়াইবা ইশো লাংবিয়ু
কাম্বী মৈশা কাংবিয়ু
অফ নুংঙাই পীনবিয়ু
য়াইফ লৈপুন চাইথবীয়ু।

(লাইনিংথৌ)

নিজরীবা পীনবিয়ু
য়েক থিবিক ঙমজগে
লাইথুং লাইনা কোকচগে

মীংফাও মীচং ওইজগে
নত্তেফমদা তেবীরো
নহুমফমদা হনবিরো ।

(লাইনিংথৌ)

লাইপোন মযাম অসি সোলহুনা পোং পুম্নমক লমরেং লাইনিংথৌদা যুম্না পোকপা খুরুমজগে হায়না কংকনি ।

নহা — অহল ইবুঙোনা লৈনরেন-লাইনিংথৌগী ংথৈরে লিবিবদা, ননাই মহাগী থমোইসু পেনজরে । অহং ইবুংঙোমা ননাইবু থৌজানবিহুনা ফুম্না পোকপা খুরুম্বগী নারাবু, থৌরমগা লোইননা মচা থাইদেক্রা লিবিরো ।

অহল— চ-মগা নংনা ফুম্না পোকপা খুরুমজবগী, থৌরমগ লোইননা লিবিগ্নি হাযবদো ঐ লিরগে নং মুম্না তারো

৫ শুবা মতাং

ফুঙ্গা পোকপা খুরুম্বগী থোরম

য়ুমগী ময়াই থংবা লৈমরেন কাদা য়ুমগী অহলগী ফমজাও থাবা খোইদৌ মপাদা যেকপু পোকপা পোক্লেল পোকপগী ফম্বাল শেম্বা উতং রা মচা অনলা শুচুপ অমগা মথাই শাংনা মরু থেক্লা কক্নগা, চুক মরি মমাই অরাং ওন্না য়ুংউ, চুক মরিগী মথক্তা অঙৌবা ফিজ থল্লু, ফিজগী মথাদা য়েক অতুগী লা থাও, লাগী মথক্তা শেংপা য়াবা অশাংবা খুদৈ অমদা; য়েক অতুগী মচু শংলগা থাও, ফী অতুগী মথক্তা য়েক অতুগী লৈ, লাইরেন মনা, লাপৈ, পোংফাই, শংৈব্রনচিংবা লৈরম ৭/৭ অহুম থোক্লা লৈক্তন 'তম্মু', অরিবা সেল মথাই ওইরবস্তু লুপা অরিবা ওইরবস্তু মথন অহুম থোক্লা কৎলু, লাইগী মমাংদা পুথম অমা, থম্মু, পুথম অতুগী মথক্তা চেং হৈয়ু, থোংনবা চফু অমা এঙ্গাং থোংনবা উয়ান অমা, কৈ অনি, থাবৈ অমা সুমজিৎ অমা, সঙেং অমা, ঙাপাং অঙৌবা অমা, য়েক অতুগী মপা মপুগী ঈরু শাদেংফমদগী ঈশিং শোকউবা, পুথম অমদা য়েক অতুগী হৈ-হৈজাংনচিংবা হৈ মরম তরেৎ কা মক মনা অমা, লফোই লফাং চংথোকপা অমা, চুঙৌ চুঙাং কবোক অথুম অহাও হাপ্পা,

অপোকপগী পোৎ অসি অতোপ্পা মী পীজবা য়াদে। উমংলাই, লম্লাই, কৌব্রু, মার্জিং, রাংব্রেন, থাংজিং, লম লম অতুগী কোনবা লাইগী, লাই মঙাগী ক্কা মরু-মনা মঙা, লফোই লফাং সিথোকপা মঙা, চুঙৌ চুঙাং কবোক অথুম অহাঙ হৈনচিংবা কৎপা, ইপুধৌগী কৈজেম অমা, ইবেলধৌগী ফনেক অমা কৎপা, লাইগী মমাং ফুঙ্গাদা য়েক অতুগী শীং শেম্বা, লাইরুদা ইমোইনু অহোংবীগী পুথম অমদা চেং হৈবা পুথম অমদা, লফোই লফাং চংথোকপা অমা, ক্কা মরু-মনা অমা, চুঙৌ চুঙাং কবোক অথুম অহাঙ, তাইরেন-মনা পোংফাই, লাংথৈ, সংব্রৈনচিংবা লৈসু য়াওনা ইমোইনু অহোংবীগী মিংথৈরেন সোন্দুনা কৎপা অসি পুম্নমক লাংবা লোইরগা উচান মপাক অমদগী তরেৎ থোক্না খাইরগা ফুঙ্গ লাইরু অরাং থংবদা য়েক অতুগী নৈথাং লোরগা মৈ হৌগনি, মৈ অতুবু য়োইমা য়াই মৈত্রেং অরাবা মুমিৎনি হায়না নিংঙগনি, মুমিৎকী মঙাল্লা মুমগী মমুংদা চংঙকলে হায়তুনা মঙাংসিদবা ইপুধৌমু, লুবাংসিদবা ইপুধৌমু, খুমনসিদবা ইপুধৌমু লাল্লে হায়না নিংতুনা মৈরম তরাগী মি থৈ সোন্দুনা চেং-লৈ কৎকনি, মৈরম তরাগী মিংথৈ, [১] হুঁ মৈশানুবী কোজিল তুথোকপা [২] হুঁ মী মুৎশং। [৩] হুঁ তরংঙা। [৪] হুঁ ঙানতুংহি [৫] হুঁ ঙানঙাং। [৬] হুঁ শংতরেং। [৭] হুঁ কেমনুবী [৮] হুঁ মৈহিশং। [৯] হুঁ মিৎতরেং। [১০] হুঁ শংনুবি

রম তরা অসি সোনবা লোইবদা, য়ুম ফুঙ্গা লিংঙে হাইনা
াগনি। য়ুম ফুঙ্গা লিংঙবনিনা ফুঙ্গা লাইরুদা ইমোইনু অহোংবী
ারে হায়না নিংগনি। ইমোইনু অহোংবী ইমা লৈরবনিনা ইমাগী
ৈথ সোন্দুনা ইমাগী লাংলিবা পোৎ অদু কৎকনি।

ইমোইনু অহোংবীগী মিংথৈরেন

হে ইমা লৌশরেন লৈপুনবী,
লৈমরেন শাইয়োন ওইরিবী।
অচি তত্তবী অরাই কংদবী,
ইমোইনু অহোংবী অচাওবী।
তরা চাক্লি থাক্লা চাকশোবী,
রায়েন রাঙম থোরাংবী।
লুয়েন লাংজেং শাফাবী,
ইনগী খুর্জি ওইরিবী,
পেগী চাহুম ওইরিবীও।
অচি তৎাপগনু অরাই কংবিগনু,
তরা চাক্লিং থাক্লা চাকশোবিরো।
রাংলৈ য়েনিং থাক্লা য়েনশোবিরো।
ইমা লৈমরেন সিদবী অখোং তত্তবী,
অরাই কংদবী নতুনা চুমথাং খল্লিবী

ইমোইন্নু অহোংবী অয়ুক ঙন্না কোম্বাবী,
মুমিদাং ঙন্না কোনশিনবী ইবেনথৌ নংদি
শায়োন তরেৎ ঙম্বীনি চিংঙা লৈমা
তথেংবী লাংজিং লৈমা লালহানবী।
হৈপোক লৈমা ইমোইন্নু শম্বল লৈমা,
অহোংবী নুংঙু লৈমা অয়াংবী লাঙ্গোল,
লৈমা অচাংবী সনা লৈময়োন
লৈমা অতোনবী ইবেনথৌ
লেংবিগন্নু ননাইনা খুরুমজরি।

য়ুম ফুঙ্গা লিংলবনিনা য়ুম অসিগী মন্নুংদগী ইপা ইপু পুম্নমক হৌরকই হাইদনা ফম্বালগী মমাংদা থারিবা পোৎ পুম্নমক তাইরেন মনা পোংফাই লাংথৈ়ুনা ইরু ইশেংদা লুপলগা নহাইরোন সোন্দুনা অনম অথৌ কোব্রুগা, য়েকপু পোকপা, সাগৈ পোকপা পোব্রেন পোকপা, মপুদা মপুগী মিংথৈ সোন্দুনা পম্বৌ ইপাগী মিংদা, পলেম ইমাগী মিংদা, চাবী চানৌ সরেন কংকনি।

নহা — অহল ইবুংঙোনা ফুঙ্গা পোকপা খুরুম্বগী থৌরম্নচিং পুম্নমক সুনা লিবিবদা ননাই নহাগী থমোইগী অমম্বা পুম্নমক পুমকোক কোকচরে। ননাই নহাবু থৌজানবিহুন পম্বৌ ইপাগী মিংদা, পলেম ইমাগী মিংদা, পোব্রেন পোকপদা সরেন কংনবা মিংথৈরেন অতু মচা খাইদোক্ল লিবিরো।

মঙগল — হে নহা নংনা ঐঙোন্দা য়েকপু পোকপা, সাগৈ পোকপা পোক্লেল পোকপদা, পম্বৌ ইপাগী মিংদা, পলেম ইমাগী মিংদা চাবী চনৌ সরেন কৎননবা, পোক্লেল পোকপগী মিংথৈরেন লিয়্ হায়বদো ঐ লিয়গে নং মুম্না তারো।

---

৬ শুবা মতাং

পোক্লেল পোকপগী মিংথৈরেন

হা হুঁ হা য়েং

তেংবানবগী মবুংঙো য়াইফ থোইবা
ইবুংঙো ইবুংঙোনা মরুনি ইবুংঙোনা
লোমবানি ইবুংঙোনা লিকলুনি
ইবুংঙোনা থোরাইনি। থোরাই
হাইনা কৌজগে লাইনিংথৌনি হায়জগে ॥

ইবুংঙোগী পুক্লিংনা থোরমতবু ওইবনা।
তেংবানবদি ওইথরে তেংনা লোমনা
পানখরে। অতিংঙা তরং ওইখরে
সুংশিং নিংথৌ শিংখরে। মৈ-ঈশিং
চোংথোরক্লে মালেম লৈসা থোরক্লে ॥

ইবুংঙোগী থৌরম্বা তাইবং মঙং
ওইদনা য়েংকী লম্বী থারক্লে
সোরারেনবু ফাওরক্লে য়েংকী লম্বী থিংলগ
ওইগী লম্বী থারগা লৈমরেনবু
ফাওরক্লে তুংইন মরুপ ইল্লকলে ॥

কৌরৌ লাইনচিংবা অতিঙাগী অপানবা
মথং মথং ওইথরে তেংবানবদা
সিনথরে ইবুংঙোগী সুংদগী হুম্মাং
মরিক কোন্দগী সরোই মরুপ
পোকথরে অচৎ চম্বা থোকথরে ॥

সোরারেনগী মরুপনা কৌক্র থক্তা
কাদনা সনজিংগী মতোন্দা য়াইফ
খিবিক মতাংদা সোরারেননা চিংদনা
লাইগী মরুপ তিনদনা সুংঙাই থোইনা
পানথরে ইপুরোইনা হরাওরে ॥

লাইরেম্বীগী মরুপপু তুংইন মরুপ
খিবিকপু সনজিং মতোন তানগ্রে
লাইয়ামশিংগা উন্নরে তুগা-রাগা
পানগ্রে য়াইফ থোইনা পানগ্রে
সরোই মরুপ পুনগ্রে কৌক্র
লোক্তা খুন্দারে ।

ইপুরোইগী য়াথংনা সোরারেনগী
মকুপনা চিংলেন চিংদোন থুগাইয়ে
ইপাক ইচাও ফুনখরে লাইরৈপাকা
সুপতনা লৈপাক অনি য়েংদনা
সোরারেননা পানখরে মুংঙাই
মপান সাখয়ে ॥

সোরারেনগী সঙ্গাইদা রাখল্লা ফংবা
মত্তাংদা ইপুরোইনা সায়োল্লে কোনসেং
সম্না থোরকলে লৈমরেম্না পোকখরে
মচাগী মতম ওইখরে তুকথাববু পোকওে
চপ মাননা হৌখরে ॥

কোনসেং সননা পিপানা মপাবুংগী
য়াথংনা তাইবং শেম্বা হৌখরে
মথং মথং পুথোরকলে হৈগী লৈগী
মরুপ্পু উগী উপান খিবিকপু মথং
মথং শারক্লে নিংবা খিবিক থুংঙকলে॥

তুথাবদি মনাওনি খংহৌদনা লাক্না
মথং সিংনা থুগাইরে কুম্মৈ পাওতাক
থুংলরে ফুহিং সননা পিপানা মপাবুংদ
চংতনা থৌদোক খিবিক রাকংলে
মরম খিবিক পাওতাকলে ॥

মপাবুংদি সোরারেন লাইয়ামশীদি
নিংথৌরেন মসাদগী চিংথোকলে
মুজা অমা পুথোক্লে পারিত্তোন্দা
পিনরে তুথাববু হয়াওরে য়েথাই
থিংগাই লৈতরে কোনসেং নিংবা
থুংখরে ॥

মথং মথং সাথরে মপাবুংদা কংগ্রে
মপাবুংনা য়াইফরে মফম মফমদা
থাথরে নমু তাইবং সাদনা তাইবং
সনগে নিংদনা সোরারেননা হায়রকই
পিপারেনদা য়েংলকই ॥

তাইবং সেমলো পারিহল ইপাগীদি
সনাহল য়াথং মতুং ইন্দনা পুক্নিং
থারেপ লেপ্তনা মরোং অমা পুথোক্লে
মপাবুংদা কংশিল্লে মপাবুংনা য়েংঙকই
মরোং চুমদে হায়রকই ॥

মথরাইবু হাপ্তনা মচিঙাকপু
পিদনা ইমুংবুংদা থাদোক্লে হঙোই
হাইনা থোনখ্রে অমা অমুক

সাখরে মপাবুংদা কৎখরে মরোং
চুমদরি হাইরক্লে সিদা য়াথং তৌরক্লে ॥
মথরাইবু হাপ্পুনা ভামু হাইনা
কৌদনা ইপাক মুংদা থাদোক্লে তাইবং
চিঙাক ওইহল্লে অমা অমুক সাখরে
মপাবুংদা কৎখরে তাইবং মরোং ওইদরে
মথরাইদি হাপ্পিরে ॥

উমং মুংদা থাখরে চোং চোংনা চাক্কারে
য়োংচোং হাইনা থোনবিরে লাইয়ামশিংনা
থংনরে কোনসেং লৌশিং
চমথরে মপাবুংদা হাইদোক্লে কোনসেং
থরাই বাথরে মপাবুংবু য়েংখরে ॥

সোরারেনদি সিদবা পিবারেনবু কৌরকই
ঐগী মিবু য়েংদনা মীবু সারো হাইরকই
মপাবুংগী মমিবু পিবারেননা য়েংখরে
তাইবংমীগী মরোংবু ফাজ থোইনা সাখরে ॥

মমি ফিদম লৌদনা তাইবং মীবু ওইখরে
লাইগী চাকোক পুম্নমক তাইবং
মশিং চমথরে তুখাবগী সলাইদা

মচা তরেৎ পোকখরে ময়েক
তরেৎ হাইদনা তাইবং মীনা খংনরে।

য়েকী মতুং ইনদনা সাগৈ সলাই
সনখরে তাইবং মীমী মরুম্, মথং
মথং ওইখরে মহাক্কী (২) পোকপা
তাইবং মীনা নিংনরে তেংবানবগী
মপুনা থোইনা হেন্না পেনখরে ॥

য়েকপু পোকপা ইবুংঙো ননাইনবু
খুরুমজে সাগৈ পোকপা ইবুংঙো
ননাইনবু খুরুমজে ননাই... সাগৈনি
.... য়েকপু ওইবনি মমিং ....
কৌবনি নাচা ননাই ওইবনি ॥

থৌনিজবা মতিক্কি ইরাৎচবা মথৌনি
নচা ননাই ওইবনা খুরুমজবা মথৌনি
সাগৈ পোকপা ইবুংঙো ননাইবুদি
থৌজানবিয়ু থৌজান মিৎয়েং তাদনা
ননাইবুদি কোনবিয়ু ॥

খংজদবা ননাইনি লংজা চাওবা
ননাইনি অয়োন অরাম মতমদা

ননাইবুদি কনবিনি অয়োন অয়ান
লৌবিগু নিংজরিবা থুংহনবিয়ু নচা
ননাই খিবিক্তা য়াইফ খিবিক পিনবিয়ু

ঙসিদগী হৌদনা অফ মু ঙাই ওইজগে
লাইথুং লাইনা কোক্তনা মরি মতাং
সেংজগে মাংজৌননা কেমজরোই
নৈনম য়াংনা চনজরোই পুন্সি .
তোলোই ওইজগে খোইরেন মাংদা
থাজেরাই ॥

পুন্সি তোলোই য়াইফবা মিংফাও
সিংচৎ অথোইবা ইচা ইস্ত কংজগে
য়াইফ থোইন নৈজগে থাংতপননা
তেকচরোই লমথাংদা মাংজরোই
লম্মাংননা মাংদনা সোরি সরা
ওইজরোই ॥

য়েক্লা মখা পোজরোই
অমম্বদা নৈজরোই চিংথক্তগী
তাজরোই লোকচগুবু মাংজরোই
ইবুংঙোনা কৌখিনি ইবুংঙোনা
সেলমিংনি কৈকংববু নহাক্লি
সেলুংববু নহাক্লি ॥

কৈবু সেম্বু চাওহনবীয়ু পাঙ্গল লৌশিং
পিনবিয়ু থৌজ'ন মিৎয়েং তাদনা
য়াইফ লৈবুন চাইথবিয়ু। লম্বাবু
নহাক্কি তুমাবু নহাক্কি লৌরুংবু
নহাক্কি কৈরুংবু নহাক্কি॥

লৌমি ই'খোন সনদনা লমমিৎ
তুমিৎ চাওহনবিয়ু পুকৈ লনকৈ
চাওদনা সেলকৈ থুমকৈ চাওহনবিয়ু।
ইসন ইওক য়ামহনবিয়ু সাগৈ সলাই
চাওহনবিয়ু তুসিংননা পামজগে
য়াইফ মিৎয়েং য়েংথবীয়ু॥

পাওলেল খোম্ব অথোইবা পাওলেল
তাকপা নিংথিবা ইপুরোইনা লেংবীয়ু
তাওহৈরোইনা তাওবিয়ু লৈপাক মাইবা
খুমাই তাংবা নিংথৌ মাইবা চিঙ্গাই তাংবা
নতেফমদা তেসনবিয়ু নহনফমদা
হজিনবিয়ু নচা ননাইনা চাবী চানৌ
সরেন কৎচদনা ফুঙ্গা পোকপা
খুরুমজগে নচা ননাইনা নিংভিবা
পুম্নমক থৌজানবিয়ু॥

হুং কুক কুক কুক

লাইরোন অসি সোন্দুনা পোক্লেল পোকপদা চাবী চানৌ সয়েন্নচিংবা পুম্নমক লোইনা কৎথোকনি।

নহা — অহল ইবুংঙোনা পোক্লেল পোকপদা সরেন কৎননবা মি ̣ থৈবেনবু লিবিবদা ননাই ঐগী থমোইগী অমম্বগু ভান-থোকচরে। ননাই নহাবু থৌজানবীদুনা পোক্লেন পোক-পদা কৎপা পোৎ পুম্নমক অসি মতৌ করম্না তৌগদগে মচা থাইদোক্লা লিবিয়ু।

অহল — হে নহা নংনা ঐঙোন্দা পোক্লেল পোকপদা কৎপা পোৎ পুম্নমক মতৌ করম্না তৌগদগে মচা থাইদোক্লা লিয়ু হায়বদো ঐ লিয়গে নং মুম্না তারো।

৭ শুবা মতাং

হে নহা পোক্লেল পোকপদা কৎপা চেং মনামশিং সরেং ... ... চাক থোংনবা চফু অহু ঈশিং হাপলগা য়োংসবি মথক্তা থাংগৎলগা ঈশিং অহু শোরগা চেং অহু নিংথিনা চান-থোক্লগা চেং অহু হাপচিল্লু, থাবৈন। অমুক্তমক ঙৎলু, মুল্লগা ফৈ থাহুন। ফৈগী মথক্তা থাংথৌ, চফুগী মমাই অহু নিংথিনা তেমশিল্লু, লারোল তরেৎনা মথুম থুমমু, উতং বাগী পৈয়া তরেৎনা পুল্লু, অহুগা মুম্নবা মৈদা য়াইয়ু, পরৈ অহু হলহনগন্নু, সরেং অহু নিংথিনা শেমলগা চফু উয়ানদা নিংথিনা থোংউ, য়েঙ্খাং মংখল অমদগী হেনবা য়াদে, চাক য়েঙ্গাং অহু থোংবা মুল্লগা লাইগী মমাংদা ফৈ থাহুনা থাংজিল্লু, চফুগী পরৈ অহু লাইরোমদা ঙনশিল্লু, অহুগা পরৈ অহু থোকত্ত চাকমাই য়েংউ, অহু লোইরগা ফুঙ্গা লাইরু মনাক্তা থাংদোক্লগা নিংথিনা থিযু, চফু কাইবা য়াদে, থাবৈ তেকপা, য়াদে, অহানবা থিবা পুথম অহু লাইনাংদা মকোক থংনা থম্মু, অনিশুবদা থিবা পুথম অহুনা ময়াঈদা থম্মু, অহুমশুবদা থিবা পুথম অহুনা মমৈদা থম্মু, য়েঙ্গাং তেংকোৎ অহুম, ঈশিং থুজাই অহুম, অমমম থম্মু, লাইরুদা ইমোইনু অহোংবৌ ইমাগী লুক্লেল অমা তম্মু, অসি পুন্নমক লাংবা লোইরগা মৈরা মেত্রুং কৎতুনা মঙাং, লুরাং, খুমন, অঙোম, মোইরাং, খা-ঙাম্বা, সরাং লৈসাংথেম ইপুথৌ তরেৎনা হৌরকপগী ক্লারিসু পাংথোক্লগা, নলাই ঐদি মংসাতাবম সাগৈনি য়েক্না অঙোম য়েক্কি ইমিংনা

অসি কৌই, য়েকপু পোকপা ইপুথৌ পাখংবগী মিংথৈরেন সোন্দুনা, পম্থৌ ইপাগী মিংদা পসেম ইমাগী মিংদা লুক্রেল অহুমত্থু, ইপুথৌ পাখংবদা কংথাক্লো, ইপুথৌ পাখংবদা কংপা লুক অহুম অত্থু, মঙাংসিদবা ইপুথৌ. লুবাংসিদবা ইপুথৌ, খুমনসিদবা ইপুথৌদা শিন্নৌ, ইপুথৌ অহুম্মা ইপুথৌ পুরেনবা ইবেম্থৌ পুরেনবীদা শিন্নৌ, ইপুথৌ পুরেনবনা ইবেম্থৌ পুরেনবীনা ইপুথৌদা ইবেম্থৌদা শিন্নৌ, ইপুথৌনা ইবেনথৌনা, ইপুপোক্পা ইবেনপোক্পা শিন্নৌ, ইপুপোক্পা ইপুদা ইবেন্দা শিন্নৌ, ইপুনা ইবেম্মা, ইপা-ইমাদা শিন্নৌ, ইপা-ইমানা নংগা নংগী লোইনবীদা শিন্নহল্লু, নংনা নংগী লোইনবীগা নখোই অনিনা, পুক্নিং রাখল চপ মাননা নি হুনা ইচানুপা অফবা ইচানুপী অফবা পোকচহুনা, পুন্সি মুংশাংনা পাঙহুনা ইপা ইপু পুন্নমক্তা থৌদোন লোয়্না পান্দুনা য়েকপু পোকপা অপোকপা পোক্লেল পোকপগী পৌগন তৌজগে হাইনা খুরুমজগনি। ইপানা ইমানা নখোই অনিদা শিন্নবা, লুক্লেল অহুম অত্থু নচা নশু পুন্নমক পুক্নিং হরাওনা চাগনি। হুমিৎ অহুদগী চাবা লোইহবগা পোৎ পুন্নমক চাকখুম কাগী ফক্লাং শিংথোং ময়াদা কোম তৌরগা চফু উয়ান থাবৈ ফৈ সুমজিৎ লোইনা ফুমজিল্লু মপান্দা পুথোক-হৈদে। নহা অসিবু যুঙ্গা অপোকপা খুরুম্বা কৌই। নহা থৌরম অসি চহি খুদিংগী য়েক সলাই তরেৎকী ইপা ইপু পুন্নমক লাইরোন সোন্দুনা কৌথরগা, সরেংনে ঙাপাংনে থোংহুনা লুক্লেল অহুম থাহুনা মুমগী ময়াইথংবা উরেপ (যাত্রাগী) মনিংথংবা লৈমরেন কা ফমমেন ফমজাওগী খোইদৌ মপাদা মমাই অরাং ওম্না

তৌ অহু নত্রগা ফুঙ্গা লাইরুগী মনিংদা খুরুমউ, পুন্সিবনে ইনাক খুনবনে ইচা ইশু অকবা ফংজবনে। থৌরম অসিবু ইপা ইপু পুম্নমক্কা হাইরম্বা রানে। [চহি খুদিংগী য়েক সলাই তরেৎকী ইপা ইপু পুম্নমক লাইরোন সোন্দুনা কৌথরগা, সরেংনে ঙাপাংনে পোংহুনা লুক্রেল অহুম থাহুনা য়ুমগী ময়াইথংবা উরেপ (যাত্রাগী) মনিং থংবা টৈলমরেন কা ফমংমন ফনজাঙগী থোইদো মপাদা মমাই অরাং ওন্না তৌ অহু নত্রগা ফুঙ্গা লাইরুগী মনিংদা খুরুমউ, পুন্সিবনে ইনাক খুনবনে ইচা ইশু অফবা ফংজবনে থৌরম অসিবু ইপা ইপু পুম্নমক্কা হাইরম্বা রানে] নহা থংঙো।

নহা—অহল ইবুংঙোনা ফুঙ্গা পোকপা খুরুম্বগী থৌরম্নচিংবা পুম্নমক লিবিবদা ননাই নহাগী থমোইগী অমম্বা পুম্নমক কোকচহুনা পুংপেন পেঙ্গরে। অহলনা মথক্কা লিবিখিবা বারীদা, য়েকপু পোকপা অপোকপদা লুক্রেল অহুম থারগা কৎহু হাইবিখিবহু মনাই নহাবু থৌজানবিহুনা য়েকপু পোকপা অপোকপদা লুক্রেল কৎননবা মিংথৈরেন অহু লিবীরো।

অহল—নহা ন না য়েকপু পোকপা অপোকপদা লুক্রেল কৎনবা মিংথৈরেনগী বারিবু লিয়ু হাইবদো, ঐনা য়েকপু পোকপা অপোকপবু খুরুমজহুনা ঐ লিরগে নহা নং পুক্লিং চংনা তারো।

চশুবা মতাং

য়েকপু পোকপা অপোকপদা লুক্লেন কংপদা শোন্নবা মিংথৈরেন

লাইনিংথৌ অসুম .তংবানবগী মপু সিদবা ইবুংঙোবু খুরমজহুনা ইরাংচবনে তাইবংপানবগী মপু ইবুংঙোনা সম্মচিংগী মত্তোন্দা লৈরিংগী মিংথৈদি, হিং নিং. মৈনে ইশিংন হুংশিংমে কৌই। অসিনা হুমিং চয়োল তরেংমক পোকএ। অসিবু তেংবানবা মপু ইপুরোইগী হকচাংদগী থোকখিরনে। (অপোকপগী সায়োন অমা) মিং য়েংতগী অঙোম পোকএ। মিং ওইদগী মঙাং পোকএ। নাকোং য়েংতগী লুরাং পোকখিএ। নাকোং ওইদগী খুমন পোকখিয়ে। নাতোন য়েংতগী লৈশাংথেম পোকখিএ। নাতোন ওইদগী খাবা ঙানবা পোকখিএ। য়াদগী মোইরাং পোকখিএ। থোং তরেংমক্কাগী সলাই তরেংমক পোকখিএ। (অপোকপগী সায়োন অমা) ইশাং নামনা সরাং লৈসাংথেম পোখিএ। ইশিং অরুবানা লুরাং পোকএ। ঈ: অঙাংবানা মঙাং পোকএ। নাওয়োমনা অঙোম পোকএ। ইমমনা খুমন পোকএ। থৌরম অশিদগী সাগৈ ওইখিএ। অপোকপগী মিংথৈরেন অমা নাহাইরোন তিলিরেন থাইরেল ইরেন মুঙাওরেন তিনমরেন। তরুকমক অসিনা সলাই তরেং ওইখিএ। তাওরোইনাইদু মহাকনে। তাওরোইনাইগী মমিংদি চৌংশাংও

কৌএ। মচু অমনা কুয়োম ওইথিএ মচু অমনা লাইনিংথৌ সিদবগী কুচু ওইথিএ। চিরাকলেন কিংনাইবা কৌএ। তেংবানবা মপু ইপুরোইনা মচা লাইনিংথৌদা পিরে। ওইদা লাইনিং সিদবনা চিরাক্তা কমলে। মিংথৈরেনদি মিহিং তোং তরভাং কৌএ। মরাং চিংনা অনি হাইভৈগী মমিংদি উচিংঙু কৌএ। মপাথাং কোকইবা চিরাকলেল কিংনাইবা ওইদা সুরে কুরুং উকচিনবা থাং কোকইবা কৌএ।

অপোকপগী মিংথৈরেন অমদি, পিরেন লাইনিংথৌগী ময়াদা মৈ থোক্লে। ইপুরোইদি থাক্মগী পুংম্নাইদা ফমনা লৈরে। ইপুরোইগী মমিংদি লাইনিংথৌ কাংলাই তাকসংকোক কৌএ। মামা ইনথরকলে। ইপুরোইগী মিংথৈনে অমদি মি মিং য়েং চিং কৌএ। লাই ওয়ভৈগী মমিংদি য়েং চিং হিং হুং কৌএ। ইপু-রোইগী সায়োন অমা, মঙাং য়েক পোকভৈগী মমিংদি ইপুংলেন কৌএ। মোইরাং পোকপা মমিংদি চিংসংপুৎ কৌএ। মমাদি কংলামে। লাইফমদি পোনে ভারেন চাওনা ফমলে থাক্ম থোংদা ভাংতাক্ষা কৌনা ফমলে। লাইফমগী থোংদা মনতাক্ত কৌনা ফমলে। থোংগারেনগী পুংতিং কংলানে। লাইদি তুমিং য়ুবানে। সকও য়ুরেং য়ানে। (অপোকপাগী মিংথৈরেন অমা) লৈখাদা কুমথরে লাইতংরেন কৌএ। ঈশিংদা লৈরে সন-থাই লিও কৌএ। লাই ওয়ভৈগী ফমবাল বা কৌএ মিপোকসং কৌএ। লাইনিংথৌদি মি ওয়থরে। লাইনিংথৌগী মিংথৈরেল অমা মি হিং সং কৌএ। অপোকপগী সায়োল অমা। মঙাংয়েকনা

তরং কৌএ। অঙোমনা কুপ কৌএ। লৈসাংথেমনা ঙুং কৌএ থা-ঙানবানা তে তে কৌএ। লুন্নাংনা অঙ কৌএ। খুমননা লারোং কৌএ। মোইরাংনা হুং কৌএ।

তেংবানবা মপু ইবুংঙোগী সায়োন, তেংবানবা মপুগী হক-চাং থুগাইদুনা সলাই তরেৎ ওইথিএ। সরাংনা খুৎ লৌথিএ। ঙানবানা তো· লৌথি। লুন্নাংনা থপ লৌথি খুমননা মচুম লৌথি। অঙোমনা পোক লৌথি। মঙাংনা সিন্নুং লৌথি। মোইরাংনা মিৎলি লৌথি। অদুগী তমক্ সাকৈও কৌএ। হে নহা লাই-রোন অসি সোন্দ্রনা য়েকপু পোকপা অপোকপদা লুকলেল অহুম অসি কৎথোকনি।

নহা— অহল ইবুংঙোনা য়েকপু পোকপা অপোকপদা লুক-লেল অহুম কৎন্নবা লাইরোন ময়াম লিবিবদা ননাই নহাগী অমম্বা থমোই ঙানজদুনা পুংপেন পেনজরে। ননাই নহাবু থৌজান্নবিদুনা য়েকপু পোকপা অপোকপদা কৎপা লুক্লেল অসিবু করম তৌগদগে মচা খায়দোক্লা অমুক্তা লিবিয়ু।

অহল— নহা নংনা য়েকপু পোক্পা অপোকপদা কৎপা লুক্লেল অসি মতৌ করম তৌগদগে মচা খাইদোক্লা লিবিয়ু হাইব-সে ঐনা মথক্কী বারিদা নংঙোন্দা মচা খাইদোক্লা লিপ্রবনি। অদুবু নংনা অমুক হন্না লিবিয়ু হাইরবনিনা ঐ লিরগে নং মুম্না ভারো।

৯ শুবা মতাং

অহল — নহা নংগী পুক্নিং ৱাখল্লা য়েকপু পোকপা অপোকপা ইপুথৌ পাখংবদা, লুক্লেল অহু কংথোকলো, ইপুথৌ পাখংবদা কংপা লুক্লেল অহু, মঙাংসিদবা ইপুথৌদা লুবাং সিদবা ইপুথৌদা খুমন সিদবা ইপুথৌদা সিন্নব, ইপুথৌ অহুমদা সিন্নবা লুক্লেল অহু, ইপু পুরেনবদা ইবেন পুরেনবীদা সিন্নবা, ইপু পুরেনবদা ইবেন পুরেনবীদা সিন্নব। লুক্লেল অহু ইপুথৌদা ইবেনথৌদা সিন্নবা ইপুথৌদা ইবেনথৌদা সিন্নবা, লুক্লেল অহু, ইপুদ ইবেনদা সিন্নবা, লুক্লেল অহু ইপুবোক্তা ইবেনবোক্তা সিন্নবা, ইপুবোক্তা ইবেনপোক্তা সিন্নবা লুক্লেল অহু, ইপাদা ইমাদা সিন্নবা ইপানা ইমানা ঐঙোন্দা লোইনবীদা সিন্নবা, ঐন ঐগী লোইনবীগনা ইচা ইশু পুন্নমক পুক্নিং ৱাখল চপমান্নবা নিংহুনা পাঙন কন্জগে লৌশিং শিংজগে ইনাক খুনজগে ইমন লৈজগে ইচা ইশু অফবা কংজহুনা পুনসি চুংশাংনা পানজহুনা ইপা ইপু পুন্নমক্কী থৌদোন লোমজহুনা, ভেংবানবা-মপুগী থৌগন তৌজগে হায়না খুল্লমগনি।

নহা— অহল ইবুংঙোনা ইপা ইপু পুন্নমক্কা লুক্লেল কংপগী মচা থাইদোক্কা লিখিংদা ননাই নহাগী থমোইগী অমম্বম ঙাম্থোক-চয়ে। ননাই নহাবু থৌজানবিহুনা ইপা ইপুদা কংপা লুক্লেল অসি মতৌ করম তৌগদগে হায়রী।

অহল— নহা ইপা ইপুদা কংপা লুক্লেল অহুম অহু নংগা নংগী লোইনবীগা নচা নম্থ পুম্নমক লোইনা পুক্লিং হরাওনা চান্নগা অরেম্বা ময়াম, চফু উয়ান কৈ স্থনজিৎ পুম্নমক চাখুম কাগী ফক্লাং সিংখোং ময়াদা কোম তোরগা লোইনা ফুমজিল্লু মপান্দা পুথোকহৈদে। নহা অসিবু ফুঙ্গা পোকপা খুরুম্বা কৌই।

নহা— অহল ইবুঙে ন' পোক্লেল পোকপা খুরুম্বগী, সাগৈ পোকপা খুরুম্বগী, ফুঙ্গা পোকপা খুরুম্বগী রারি মখন অহুম থোক্লা লিবিবদা ননাই নহাগী পমোইগী অনম্বা পুম্নমক পুমকোক কোকচরে। ননাই নহাবু থৌজানবীতুনা পোক্লেল পোকপনা মতম করম্বা কান্দা খুৰ্দ্ধপা, সাগৈ পোকপনা মতম করম্বা কান্দা খুরাম্বা, ফুঙ্গা পোকপনা মতম করম্বা কান্দা খুরাম্বা অসিদদি অহলনা মচা খাইদোক্লা অমুক্তা লিবিয়ু।

অহন— নহা নংনা ঐঙোন্দা পোক্লেল পোকপা খুরুম্বগী সাগৈ পোকপা খুরুম্বগী, ফুঙ্গা পোকপা খুরুম্বগী রারি লিয়ু, হাইবদো ঐ লিরগে নং মুম্না তারো।

নহা— পোক্লেল পোকপা খুরুম্বদি নংনা ঙমজবা কান্দা খুরুম্বা য়াই। সাগৈ পোকপা খুরুম্বদি সজিফু, কালেন, ইঙা, ইঙেন, থৌ-রান, লাংবন, মেরা হিয়াংগৈ পোইন্থু, রাকচিং, কাইরেন, লমতা, থা তরানিথোই অসিগী মনুংদা য়েক য়েক অহুগী সাগৈগী কৌরকপা থাদা সাগৈ ময়াম তিন্নতুনা খুরুম্বা, ফুঙ্গা পোকপা খুরুম্বদি নহা নংগী নরনাইনি। য়ুম ফুঙ্গা লিংবগী খুরুমজবনি মসিদি ইঙাদা অমা, মেরাদা অমা পোইন্থুদা অমা থা অহুম অসিগী মনুংদা খুরুম্বা

হুমিন্তি নংগী পক্কবা হুমিত্তা অথংবা মাইচৌ অংদা নিংথিনা কুপ্না য়েংহল্লু, তংনদবা হুমিং, ঈখুদেং লৈতবা, অফবা, থবাশিন্নচাক অচংবা হুমিত্তা খুরুম্মু ।

নহা— অহল ইবুংঙোনা পোক্লেল পোকপা খুরুম্বগী, সাগৈ পোকপা খুরুম্বগী, ফুঙ্গা পোকপা খুরুম্বগী, থৌরম অহুম অসি অহল ইবুংঙোনা মচা থাইদোক্লা লিবিবদা ননাই ঐগী থমোইগী অমম্বসু পুমক্কোক্ক কোকচরে । ননাই নহাবু থৌজানবিয়ু, ননাইনা অহল ইবুং-ঙোদা মরম থর চিংনবগী হংগে বনাগুম্বা মাইচৌনা লিবিবগা, অহল ইবুংঙোনা লিবিবগা য়েক তরেংনা হৌরকপা অসি থাদা মান্ন-দবা, হুমিত্তা মান্নদবা, পোংচংদা মান্নদবা, অসিবু মরম কদিগীনো মচা থাইদোক্লা অমুক্তা লিবিয়ু ।

অহল— নহা য়েক তরেংনা হৌবকপগী থৌরম পোংচংনচংবা মান্ন-ত্রিবা অসিগী মরমদা, ইপা ইপুনা লিবীরম্বা বারি কয়ামরুন লৈরি ।

নহা— অহল ইবুংঙোনা য়েক তরেংনা হৌরকপগী থৌরম পোংন-চিংবা মান্নত্রিবা অসিগী মরমদা ইপা ইপুনা লিবিরম্বা বারি কয়ামরুন লৈরি হাইবসে ননাই নহাবু থৌজানবিহুনা অমুক্তা লিবিয়ু ।

অহল— নহা ইনা ইপুনা লিবিরম্বা বারি অতু ঐ মচা থাইদোক্লা লিবগে নং মুন্না তারো ।

১০শুবা মতাং

মীতৈগী নিংথৌনা অথোইবা পামহৈবা ইনিংথৌনা পাললি-পৈগী মতমদা নোংচুপ লমদগী শ্রীহট মচা ময়াং লম্বোইবা অমা থোরকই মহাকপু মীতৈ পুন্নমক্না গুরু শান্তিদাস হাইনা থংনৈ । গুরু অসিনা মীতৈগী লাইনিং লম্বী, লিচং, শাজং, লমচং (ধর্ম্ম)গী

মরমদা অচৌবা লালজাও অমা থোকখি। অসি মীতৈনা লৈখিবা মথৈ তেংবানবা অসিদা সিনবা থুংনা মুৎলামোইদবনে।

গুরু অদুনা মীতৈগী লাইনিংলম্বী, লিচৎ, শাজৎ, লমচৎ, (ধর্ম্ম) পুম্নমকপু মরু ফংনা মাংহল্লাবগীদমক মীতৈগী লাইরিক পুম্নমক লোইনা মৈ থাদোকই। মহুদ মানা হাই, এৈনা মীতৈগী লাইরিক ময়াম থাবদা তৌরিবা অসিগুম্না মীতৈনা মী সিরগা তৌগদবনি।

শিগ্রবা মীনা অমুক হঞ্জনদুনা মাগী সাগৈগী ওইবা মীব[illegible]নবা মৈ থাবদা মংথোং ংিংগদবনি। মীতৈগী লিচৎ, শাজৎ, লমচৎ, (ধর্ম্ম) গী অসিনা অমুক হন্না চংলকতুনা মীতৈবু গুভনবা লিচৎ (ধর্ম্ম) গী মংথোং ংিংলবনি। মসি য়েংউ হাইদুনা সিং শেমই। মথক্তা মীতৈগী লুরা লুরবা পুয়া পুম্নমক হাপলে, সিং তংখাই অমনা অমোক মথক্তা ননশিললে।

মহাক্তা ঈশিং চফু অমা মরেংবান্দা হাপতুনা পুরে, মথুৎনা থাং অমগা মৈহুম অমগা পাইরগা তরেৎলক হন্না কোইরগা মৈ থাই। মৈনা চাকথৎলক্রবদা থাংনা তরেৎলক য়াললি। অদুগা অমোক হঞ্জল্লকত্রবা হাইদুনা নিংথৌগী সন্না থোংদা লৈয়ি তরেৎ চিংই। মসুম তৌদুনা মীতৈ লৈবাক্তা য়ুমথোং খুদিংদা লৈবা মীতৈগী পুয়া পুম্নমক লোইনা খোমগৎতুনা মৈ থাখি মীতৈগী লাইরিক তম্বা য়াদে, ইবা য়াদে হাইদুনা নিংথৌগী য়াথংনা থিংহললি।

গুরু শান্তিদাসনা হাইরমই মীতৈগী ঈশৈ শকপা য়াদে মহুদা মুংশিদুনা মীত্তা পি তাদুনা কপলবদি অয়ুক মুংখিল শিয়গা কাক ওন্দুনা অহিং সিরগা মকু ওন্দুনা মকোই মুংওন চিংদা পাইশিল্লি, অদুগা লংজবস্থু ফংগনি (নরোকতাই) নোংপোক নিংথৌ পাস্থোই-

বীগী মতিক ময়াই তাবা য়াদে, থম্বা থোইবীগী ঈশৈ তাবা য়াদে, হাইনা নিংথৌবু থি-হল্লি, অসুম তৌদুনা মীতৈগী সিখিবা মং পুম্নমক্কগী সান্ন ময়াম ফুকতুনা সাম্নু মপোৎ কয়ামন্নম নিংথি তুরেন-দা হুনখহনথি। অসিগুম্বা সান্তিদাশগী থৌদা অসিদগী হৌজিক্তি মীতৈগী পুয়া পুম্নমক অদু অয়াম্বা মুংখরে। অসুম তৌদুনা মীতৈগী লিমচং, শাজং, লনচং, (ধর্ম্ম)দা লৈবা অচুম্বা শরুক্কী মথৈদি শ[illegible]াসনা চাইথাইদুনসু হৌচোই হৌচোইনা তাহৌই।

[illegible]থাইখিবা ময়াদগী মীতৈগী যেক সলাই হৌরকপগী রারি লাঙনিংলম্বী, [illegible] শাজং, [illegible] [illegible]-হনদনা মচা মসু ঐখোইব তুংদা [illegible] ঈপা ঈপু, লৌশিং চাংবনা পুক্তা চিন্দা রারি ওইনা লিবিরম্বা চিন্দ রারি ওইনা লিবিরম্বা উ[illegible] হৈবিরম্বা পুম্নমক অদু ম[illegible] (পন্ম)না অনৌ অনৌবা [illegible]চন্নকপা চিন্দা পুবিরম্বা ঈপা ঈপুনা অসুম অসুম নোংঙ খি[illegible] উবুদা [illegible]বিবম্ব অদুসু লৈপাক নিংথৌ কিবনা মপান্দা পুখোক্[illegible]বদগী সুমনা উকু[illegible]বদগী ময়েক মুংখিবা য়াওবা হৈং শোক (১৯৮৫) অহুরা[illegible]গী নিংথৌ প[illegible] [illegible]ংলক্লবদা মাগী মপা মপুনা থম্বি-র[illegible] অদুদগী অমুং অমুং[illegible]পা ময়[illegible] অদু সেম্বদগী সোইনা থেম্নবা ওইগনি হাঙনা লিবির[illegible] নহা [illegible] ঐঙোন্দা ঈপা ঈপুনা লিবি-রম্বা রারি লীয়ু হাঙবর[illegible] অসিনি।

নহা— অহন ঈবুংঙোমা ঈপা ঈপুনা লিবিরম্বা রারি মথন কয়ামন্নম লীবিবদা ননাঙ নহ[illegible] থমোঈদা চিংনবা কয়ামন্নম পুকোক কোক-চরে। ননাঙ নহা[illegible] থোক্তানবিদুনা লাইনিং লম্বী হাঙবা অসিমু কাঙবু কৌবগে[illegible] মমুক্তা লীবিয়ু।

অহুম — নহা মংনা ঐঙোন্দা লাইনিংলম্বী হাইবা অসিবু কপাইবু কৌবগে হাইবা মংনা ঐঙোন্দা হংলিবসে ঐ লিয়গে বং খুম্না তাবো।

১১শুবা মতাং

নহা নংগা ঐগা লুমিং তরামাথোইনি ইপা ইপুনা হৌরকপগী বাবি শাংরিবা অসিবু লাইনিংলম্বী কৌই। নহা নং অসি কনানা পোকপনো, ইপানা পোকপনি, ইপা কনানা পোকপনো, ইপুপোম্না পোকপনি, ইপুপোক কনানা পোকপনো ইপুনা পোকপান, ইপু কনানা পোকপনো ইপুথৌনা পোকপনি, ইপুথৌ কনানা পোকপনো, ইপু পুরেনবনা পোকপনি ইপু পুরেনবনা পাইবপান মপুবু নিংই। নং ঐনা নৈবদগী ইপা ইপু পুম্নমক লৈরবনি নং ঐনা ইপা ইপুগী বাবি শানরগা পুক্নিংদা হুংশিবা পোক্কইগা অসিনি। ইপা ইপুনা তৌবম্বা থৌরম তৌরগা, নিংঙম্বা লাই অহুদা কংনিংবা পোৎ কংলগা পুক্নিং মরাই লুকই। মরম অসিনা লাইনিং লম্বী হাইবসে, ইপা ইপু পুম্নমক্কী হৌরকফম শিজিনবা, ইপা ইপু পুম্নমক্কা নিংনরম্বা তেংবানবা মপুবু নিংহুনা পুক্নিং বাথন পুম্নমক মিৎযেং চুম্না থমজবা ভম্বা অহুবু লাইনিং লম্বী কৌই।

নহা ইপা ইপুগী বাবি সানবসে লোইবা নাইবা নত্তেদো মতাং অসিদা নংঙু নমুমদা হজিল্লগা ইপা ইপু পুম্নমকপু কাওজরয়োই

হাইনা য়ুমগী লাইনিংথৌ, লৈমরেনগী মিংথৈরেন সোন্দুনা পোৎ থাক্লে। ঐস্থু য়ুমদা হজিল্লগা ইপা ইপু পুম্নমকী বারিবু কাওজরো। হাইদুনা য়ুমগী লাইনিংথৌ, লৈমরেনগী মিংথৈরেনবু সোন্নরুরগে

হজিল্লসি ইপুথৌ পোৎথারসি লাইনিংথৌ

নতে কমদা তেসিনবিউ
নহন কমদা হজিনবিয়ু।
খুবাক লাইথন সাজরি
থৌজান লৈবুন পীনবিয়ু।
[illegible] ইপু পোকপবু
[illegible] হন্না খুরুমজৈ
[illegible] নিংশিংজৈ।
[illegible]বদি ননাই নরান্না
[illegible] খাদা চংজরি।
(লোইরে)

